# ৱাংজিং এফ সিনা পি ৱাই সিবু অমসুং লমজাও এফ সি(এ)না আর পি য়ুবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস)ঃ সোসল দিভলপমেন্ট এথলেটিক য়ুনিয়ন (এস দি এ য়ু) তেকচম্না শিন্দুনা তেকচম হায়স্কুলগী শান্নবুংদা ঙরাংদগী হৌখিবা অহানবা এস দি এ য়ু ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাংজিং এফ সিনা পি ৱাই সিবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইখ্রে অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা লমজাও এফ সি (এ)না আর পি য়ুবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি তোঙান-তোঙানবা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্না খায়দোক্তুনা লম্বা তৌনবনি। ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ 'দি'গী ৱাংজিং এফ সি অমসুং পি ৱাই সি, সাপম শান্নখি। মেচ অদুদা ৱাংজিং এফ সিগী মায়কৈদগী হৌবদগী হৌনা বোল অদু পি ৱাই সিগী মায়কৈদা পুশিন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ৱাংজিং এফ সিগী শান্নরোয় এস দিনা সিংহনা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা চন্দুনা পি ৱাই সিবু মাংজিল থাদুনা চৎখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট অনী লৈরবা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় পি জোন্সননা ফংখিবা খুদোংচাবা অমদা অশোয় অঙাম য়াওদুনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মিনট ২৫গী অহানবা হাফ অদুগী ১৪শুবা মিনটতা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা দিনা সিংহনা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা টিম অদুগী ওইনা ৩শুবা পাঞ্জল অদু চনশিন্দুনা পি ৱাই সিবু য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মেচকী অহানবা হাফ লোয়গদবা মিনট ৭ ৱাৎলিঙৈদা ৱাংজিং এফ সিগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা পি জোন্সননা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা পি ৱাই সিবু মেচকী অহানবা হাফ লোয়শিল্লকপদা পাঞ্জল ৪-০দা হেন্দুনা লৈখি।

পি ৱাই সিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদুদা ৱাংজিং এফ সিনা চনশিনখিবা পাঞ্জল ৪ অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখিবা অদু অনীশুবা হাফতা হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু ৱাংজিংগী এফ সিগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজবা মওংদা মখোয়গী গোল অদুবু ঙাক শেনখিবা মরম্না অনীশুবা হাফ অদু লোয়রমদাই ফাওবা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। শান্নবা লোয়গদবা মিনট ৮খক ঙাইশিল্লরবদা হাফ মমাংদা পাঞ্জল ৪ চনশিনখিবা ৱাংজিং এফ সিগী মায়কৈদগী ইনাওয়াইনা ৪২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচ অদু মখোয়না পি ৱাই সি, সাপমবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইখি।

ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ 'ই'গী মেচ অমদা লমজাও এফ সি (এ) অমসুং আর পি য়ু, পপাল লম্বা তৌনরকপদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং লম্বা য়াম্না মান্নবা মওংদা শান্নরকপা উখি। লমজাও এফ সি (এ)গী শান্নরোয় দব্লিউ বিপিননা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

ইক্কেলাইজর অদু আর পি য়ুগী মায়কৈদগী ঐচ লোকেশ্বরনা ১৮শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী টিমমেট টি সনাজাওবনা মেচকী ২১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা লমজাও এফ সি (এ)বু পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

য়াম্না অথুবা মতমদা লমজাও এফ সি (এ)গী শান্নরোয় মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা দব্লিউ বিপিননা ২২শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। অনীশুবা হাফতা লমজাও এফ সি (এ)গী এল কিষননা ৪১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমদা চন্দুনা আর পি য়ুবু পাঞ্জল ৩-২দা হেনখি। শান্নবা লোয়গদবা মিনট ৯দা ঙাইরবা মতমদা এল কিষননা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদু লমজাও এফ সি (এ)না আর পি য়ুবু ৪-২দা থোইখি। হয়েং অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ 'এফ'কী এএ এফ সি, আঙওথা অমসুং হৈরোক এফ সি শান্নগনি অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ 'জি'গী লংথবাল এফ সি অমসুং ৱাংঙ্গোই এফ সি লম্বা তৌনগনি।

## এ ঐচ ৱাই দিওনা ৱাই দি সি থোইখ্রে অদুগা টি সি এফ সিনা এ এ ৱাই সি এবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) ঃ ওল পোইরৌখোনজিন য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গেনাইজেসন (এ পি য়ু সী ও) য়াইরিপোক্না শিন্দুনা থম্বালনু স্পোর্টস কমপ্লেক্স পোইরৌখোনজিনদা ঙরাংদগী হৌখিবা ৬শুবা টি ঐচ শ্যামকুমার ইনভাইটেসন কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এঐচৱাইদিওনা ৱাইদিসিবু পাঞ্জল ৯-০দা অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এএৱাইসিএবু টিসিএফসিনা পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদু এঐচৱাইদিওনা হৌবদগী হৌনা য়াম্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ৬ চনখি। ৱাইদিসি, খোইরোম উপায় লৈখিদে পাঞ্জল অমফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। এঐচৱাইদিওগা এ সুসিলনা হেটট্রিক (মিনট ৫,৫৭ অমসুং ৬২) চনখি। টিম অদুমক্কী শান্নরোয় এমদি তাজুদিননা পাঞ্জল অনী (মিনট ৬ অমসুং ২৪) চনখি। অদুগা পাঞ্জল অমমম চনখিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি কেওমেস (মিনট ১৯), কেনরেস (মিনট ২১) দব্লিউ পুনিকান্ত (মিনট ৩২) অমসুং এল সুধির (মিনট ৫২)নি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা টিসিএফসিনা এএৱাইসিএবু পাঞ্জল ৬-২দা থোইখি। টিসিএফসিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৫শুবা অমসুং ১৪শুবা মিনটতা অনন্দ অমদি জেমসননা পাঞ্জল অমমম চনখি। হাফ মতুংদা এএৱাইসিএগী পি ঐচ সৈতৈনা ৩২শুবা মিনটতা টিম অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনখি।

টি সি এফ সিগী মায়কৈদগী মালেমঙানবানা ৩৬ অমসুং ৫৩ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা জেমসন অমদি নাওটোননা ৫৮শুবা অমসুং এক্সত্রা টাইমদা পাঞ্জল অমমম চন্দনা মেচ অদু মখোয়না ৬-১দা থোইখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ —৭১

১। ওলেম্পিক গেমসতা 'দবল' হায়বদি শান্নরোয় অনী অনীনা মীচং ওইরগা লম্বা তৌনবগী থৌরম কয়ামুক য়াওরি। খুদম ওইনা বেদমিন্টন দবলনি। ওলেম্পিক্কী থৌরম অমদা দবলদা সনাগী মেদল ফংখিবা লৈবাক অমগী টিম অমবু Quer Mann Pair হায়না খঙনখি। টিম অদুনা মায় পাকখিবা থৌরম অদুগী মমীং হায়য়ু?

২। রঙ্গাশ্বামী কপ্তা অসামনা অহানবা ওইনা শরুক য়াবদা মণিপুর মচা অমনা টিম কেপ্তেন ওইখি। মহাক কনানো?

৩। কুনমাথোইশুবা সেঞ্চুরিদা পোকপা নিপামচা অমা কুমজা ২০১৮গী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (ক্রিকেট)তা শরুক য়ারি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু?

৪। মহাক ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মীরৈবাক্তা ফুটবোল শান্নরুরে। মহাক ষ্টেট অমগী মিনিষ্টরসু ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫। লাই অসিদা উৎলিবা ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরোয়শিং অসি করম্বা সহরদা শান্নখিবা ওলেম্পিক গেমসতা নমখিবা ফোটোনো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ꯃꯥꯡꯈꯤ/ BANK PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook of State Bank of India, Pallel Branch bearing Account No. 33252669537 on the way from Kakching to Pallel on 21-05-2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Dangshawa Kopham Maring**
Langol Pt-II, Machi Sub-Division, Chandel,
Manipur ☎ **9643451207**

HL-P/1452/29

## ꯁꯥꯃꯖꯦꯠ/থবক শুনবা নুপা অমা পামজৈ

য়ুমগী, ইস্কোলগী থবক শুনবা নুপা অমা অথুবগী ওইনা পামজৈ। মশাগী চহীনা ২৫ দগী ৬০ ফাওবগী ওইবা মীওইনা হেন্না পামজৈ। হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী কন্টেক নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/1454/29 ☎ **9862405688 / 9856115998**

## ꯃꯤꯐꯝ/MEETING CIRCULATION

A general body meeting of all Manipur District Council Retired Employees Association will be held on 31st May 2018 (Thursday) at 11.00 am at District Council Bhavan, Chingmeirong, Imphal. This meeting is to be as important and urgent all are requested to be present without fail.

1. ADC Pension Matter
2. Misc. etc.

***Sd/-* Dikhonang Pamei**
*President,* All Manipur District Council
Retired Employees Welfare Association

HL-P/3334/29&30

## ꯊꯥꯒꯠꯄ/ ওজা কবিরাজ অব্দুল হকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

কবিরাজ ওজা অব্দুল হককী পাউতাক্কী মতুং ইন্না হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা পাইলসকী প্রোব্লেমশিং খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী চেকখায়রগা ঈ য়াওবা, থুপ্পা, চিকপা, শাবা, অমাঙথোংদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাক্কৎচবা, কক-কক থিনবা, অমাঙথোংগী মনুং মপান্দা পোম্বা, মচুম তারগা চিকপা, গেষ্ট্রিক, খ্বাঙ নাবনি। অদুবু ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং (পাঙন লৈরক) দা লায়েংবীরিবা কবিরাজ **অব্দুল হক কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬**তা চত্তুনা লায়েংজবদগী অনাবশিং মপুং ফানা ফজরে অমদি মপুং ফানা নুংঙাইজরে। ওজাবু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

***থাগৎচরিবা :*** **A. MODHU**
**Wahengbam Awang Leikai**

HL-P/1427/29

## ꯃꯥꯡꯈꯤ/LOST

I have lost my Account Receipt (I.D. Card) bearing A/C No. 32560362884 issued by State Bank of India, M.U. Campus Canchipur Imphal West on the way between Irom Meijrao Mamang Leikai to Hiyangthang on 24-05-2018.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/3335/29 **Sd/- Yumnam Ibemhal Devi**
Irom Meijrao, P/O Wangoi, #7085196207

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG.

Ref. Mutation Case No. 270/SDC/NTK/2018
(1) Laishram Gopendro Singh S/o (L) Gopimohon Singh of Ningthoukhong Kha. (2) Laishram (O) Shanti Devi W/o Gopendro Singh of -do- (3) L. Dinesh Singh S/o (L) Gopimohon of -do- (4) L. (O) Robina Devi W/o L. Dinesh Singh of -do-
...Petitioners

-Vs-

(Late) Laishram Gopimohon Singh S/o (L) Hongba Singhof Ningthoukhong. ...Opponent.

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Ningthoukhong the 26th May. 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ৪৪-নিংথৌখোং খা ভিলেজগী পাট্টা নং 358 (O) 623/943 (N) C.S. Dag No. 3377, 2642, an area 0.09, 0.08, acre of Ingkhol Class অসি পাট্টাদার মৃত্যু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা ওক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইস্কোল/লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ৪/৬/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/1461/29 **Sd/-Sub-Deputy Collector, Ningthoukhong**

## ꯔꯦꯖꯤꯁ꯭ꯇꯔ/রেজিষ্টর তৌরগনি

The Unemployed Friendship Co-operative Society Ltd. হায়না মিংথোনবা সোসাইটি অমা রেজিষ্টর তৌরগনি। রেজিষ্টর তৌবা অসিদা কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নুমিৎ তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

**Sd/- Laishram Bhogendro Singh**
Secretary
The Unemployed Friendship Co-operative Society Ltd.

HL-P/3337/29

